
# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,SUNDAY, SEPTEMBER 11, 2016 PAGE 7



২০২৬ কী ওক্টোবর থাদা পাংথোক্কদৌরিবা ফুটবোল ৱার্ল্ড কপ্তা টিম ৪০ শুহন্নবা প্লান তৌরিবা ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ান্নি ইনফেন্টিনো

সেলকে বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীবদা গোল অমা চন্দুনা অমদি মহাক্কী পাস্তগী অতোপ্পা গোল অমসু চল্লহনখিবা বায়ার্ন মুনিক্কী পোলেন্দগী ষ্ট্রাইকর রোবার্ট লেৱান্দোস্কি



## রিওগী পেরালিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী মারিপান্না গোল্ড মেদল লৌরগা ভরুন্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে



*রিও পেরালিম্পিক্সকী নুপাগী হায়জম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ঙখ্রবা ইন্দিয়াগী মারিপান (ময়াই), সিলভর ফঙখিবা য়ু এস এ গী সামগ্রু (ওই) অমসুং ইভেন্টত অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী ভরুন ভাটি*

রিও দিজেনৈরো , সেপ্টেম্বর ১০ ঃ

ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোদা লৈবা মরকানা ষ্টদিয়মদা চথরিবা ১৫ রক শুবা পেরালিম্পিক গেমসকী নুপাগী হায়জম্প ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মারিপান থাঙ্গাবেলুনা গোল্ড মেদল লৌরগা অতোপ্পা ইনিদয়াগী এঠলেট ভরুন ভাটিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙদুনা হায়জম্প ইভেন্টতা তোঙান তোঙান্বা লৈবাক কয়াদগী লাকখিবা এঠলেটশিং মায়থিবা পীদুনা মেদল অনী ফঙবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মারিপান থাঙ্গাবেলুনা রিও পেরালিম্পিক্সকী নিনি চন্বা নুমিৎতা নুপাগী হায়জম্প ইভেন্টতা মিটর ১.৮৯ চোংদুনা গোল্ড মেদল অদু ফঙবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা হায়জম্প অদুদা শরুক য়াখিবা এঠলেটি ভরুন ভাটিনা মিটর ১.৮৬ চোংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙবা ঙমখি।

নুপাগী হায়জম্প অদুগী মেদল অহুম লৈবগী মনুংদা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অদু ইন্দিয়াগী এঠলেট অনীনা লৌরখ্রবা মতুং সিলভর মেদল অদু য়ু এস এ গী সাম গ্রেৱিনা মিটর ১.৮৬ চোংলগা ফঙখি। পন্থা য়াবদি য়ু এস এ গী গ্রেৱিনা চোংখিবা হায়জম্পকী অৱাংবা মিটর ১.৮৬ অদু ইন্দিয়াগী ভরুন ভাটিসু চোংবা ঙমখি। অদুবু ইভেন্ট অদুদা ভরুন ভাটিনা এটেম্প হেন্না তৌখিবা মরমনা সিলভর মেদল অদু য়ু এস এ গী এঠলেটি সাম গ্রেৱিন্না সিলভর মেদল ফঙখিবনি।

## এস এস য়ু অমসুং ক্লাসা মণিপুর ষ্টেট লীগ মেটচ অমদা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ

সাউন্দর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু ) শিংজমৈ অমসুং কৈনৌ লাইব্রেরি অমসুং স্পোর্টস এসোসিয়েসন (ক্লাসা) না ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শান্নরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬ মেটচ অমদা পাঞ্জল অমমম চল্লগা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা স্পোন্সর ওইরিবা খুমুকচম ইঙোচা সিংহ মেমোরিয়েল ত্রষ্টকী মীংদা পাংথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না মণিপুরগী তোঙান তোঙান্বা জগাদগী লাকপা টিম ১২ না শরুক য়ারিবনি।

ঙসি শান্নখিবা এস এস য়ু অমসুং ক্লাসাগী লীগ মেটচ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী ঙন্না পাঞ্জল চন্নবা হোৎনদুনা অকনবা প্রেসর পীশিন্নখি।

এস এস য়ু গী মায়কৈদগী লানমিথাং তাওথাংনা ৩২ শুব মিনটতা টিম মেট নবচন্দ্রনা পীরকপা পাস অমদা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

নাকল অমরোমদা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লৌখ্রবা মতুং মিনট ৫ লৈরগা ক্লাসাগী এম দি সহিদুর রহমন্না ইক্যুলাইজরদা চন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল অমমম মান্নদুনা লৈখি।

হাল্ফ মতুংদা এস এস য়ু না মখোয়গী মশান্না হোংদোক্তুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকপা অদু ক্লাসাগী দিফেদরনা য়াম্না কোম্না ঙাক্তুনা লৈখিবনা পাঞ্জল অমমম চন্নবাগী মখা তান্না হাপচিনবা ঙমখিদে।

হয়েং চথরিবা ১১ শুবা ষ্টেট মণিপুর ফুটবোল লীগ অসিগী ওইনা নম্বোলগী ক্রুগপু ক্লব অমসুং ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা য়াম্না মরু ওইবা মেটচ অমা শান্নগদৌরি।

এস এস য়ু (সাউন্দর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন) অমসুং ক্লাসাগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা এস এস য়ু না দ্রো চৎখ্রবা মতুং টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মকোক থোংবা য়াবগী তাঞ্জা অদু লৈরি।

হয়েং ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬ কী নম্বোল জগাদা ক্রুগপু অমসুং ক্বাকৈথেলগী টিদিম রোড এঠলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাউ) অনীনা অকন–অথৌগী চায়েং তৌনগদৌরি।

## ১১ শুবা এন বালানন্দা মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ হৌরগনি

বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ১১ শুবা এন বালানন্দা মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ থা অসিগী ২১ দগী হৌরগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙল্লক্লি।

বিষ্ণুপুরদা লৈবা মিনি ষ্টদিয়মদা থা অসিগী ২১ দগী হৌগদৌরিবা এন বালানন্দা মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট হৌরগনি হায়রি।

দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মায়কৈন্দগী জেনরেল সেক্রেটরী সি ঐচ ইবোতোম্বী সিংহ না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা পুন্না টিম ১৪ না শরুক য়াদুনা হয়েংদগী বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টদিয়মদা অহুমশুবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ শু পাংথোক্কনি।

লীগ অসিগী ওইনা পুন্না টিম ১৪ না গ্রুপ অনীদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। গ্রুপ এ দা লৈরিবা টিমশিং অদুদি এফ সি ঙাইখোং খুনৌ, এল ৱাই ভি ও –য়োথে, জি দি সি –থিনুংঙৈ, বি এফ এ–নাচৌ, সাই– এস এ জি উৎলৌ, এন সি ৱাই দব্লিউ ও–নুংশাই চিরু অমসুং য়ু কে সি সি এল–ওইনামনি।

গ্রুপ বি দা লৈরিবা টিমশিং অদুদি ৱাই দব্লিউ ও–বিষ্ণুপুর, ই এল এস এ–নারান সৈনা, টি ৱাই দি এ– তাউবুল, এ কে এস এ–ক্বাক্তা, এল এ এস ঐচ এ এল –লৈমাপোকপম , সি আর ই এস এ– বিষ্ণুপুর অমসুং টি ৱাই এ –থিনুংঙৈনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী রেলিগেসন মেটচ অদু মথাং থা ১ দা শান্নরগনি। লোয়নন ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদুনা ওক্টোবর তাং ২ দা শান্নগনি । অদুগা ফাইনেল মেটচ অদুনা ওক্টোবর ৪ দা শান্নগনি হায়রি । দি এস এ বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী সি ঐচ ইবোতোম্বী সিংহ না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙল্লক্লি।



ভুটানগী থিম্পুদা থা অসিগী ৩ দগী ৮ ফাওবা পাংথোকখিবা ৫০রক শুবা এসিয়ান বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী মেদল ফঙলকখিবা শান্নরোইশিংবু মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওক্রাম ইবোবিনা ওকপগী থৌরম পাংথোকখিবা



## লোরা সৈগেমুন্দ অমসুং মাটে পেভিকনা মিক্স দবলসকী দবলসকী টাইটল লৌখ্রে নুপাগী ফাইনেলদা নোবাক জোকোভিস অমসুং ষ্টান ৱারিনকা ফাইনেলদা থেংনরগনি

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ১০ঃ*

য়ু এস এ গী সহর ন্যু য়োর্কতা চথরিবা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা জর্মনিগী লোরা সৈগেমুন্দ অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিক্কী জুরানা য়ু এস এ গী জুরা ওইরিবা কোকো ভান্দেৱেগি অমসুং রজিব রামবু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা থেংনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা জর্মনিগী লোরা সৈগেমুন্দ অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিক্কী জুরানা য়ু এস এ গী কোকো ভান্দেৱেগি অমসুং রজিব রামবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা জর্মনি অমসুং ক্রোএসিয়াগী জুরা অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওইরিবা য়ু এস এগী জুরা অদুবু মখোয়গী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদুদসু জর্মনি অমসুং ক্রোএসিয়াগী জুরা অদুনা অহানবা সেটতা থোইখিবা পোইন্ট অদুগা মান্নবা ৬–৪ দা থোইদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ফ্রান্সকী ৱার্ল্ড নম্বর টেন ওইরিবা গেল মোনফিল্সপু সেট ৪ চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৩, ৬–৩, ৩–৬, ৬–২ দা থোইবা ঙমখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা অমসুং অনীশুবা সেট অদু নোবাক জোকোভিসনা ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা সেট অনী হেন্দুনা চৎখি। অদুবু অহুমশুবা সেট অদুদদি ফ্রান্সকী গেল মোনফিল্সনা ৬–৩ দা থোইদুনা নোবাক জোকোভিসনা সেট ২–১ দা হেন্দুনা চৎখি।

অহুমশুবা সেট অদুদদি এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা গেল মোনফিল্সকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।


অমরোমদা নুপাগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু সেট ৪–৬, ৭–৫, ৬–৪, ৬–২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।


ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু জপানগী কৈ নিসিকোরিনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু থংনবা সেট অহুম অদু স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা ৭–৫, ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাগা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনরগনি।



*ফ্রান্সকী আলিসান্দ্রো জিয়ানেসিবু ২ শুবা রাউন্দদা থোইবা ঙমখ্রবা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কানা বেকহেন্দ ভোলি*





## ইম্ফাল ৱেষ্ট সুপর দিভিজন লীগ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ

এস কে ৱাই সি গ্রাউন্দ অৱাং সেকমাইদা পাংথোক্লিবা ১৭ রক শুবা এস বিরেন্দ্র মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ তা তৌবুংখোক্কী বি এম এস সি মখোয়গী অহানবা মেটচ মায় পাকখ্রে।

বি এম এস সি অমসুং ৱাই দব্লিউ সি মালোমগা শান্নরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৮ না শরুক য়ারি।

অহানবা মেটচ অদুদা বি এম এস সি তাউবুংখোক্না ৱাই দব্লিউ সি মালোম্বু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা বি এম এস সি গী মায়কৈদগী পিটর সাইমিন্থাংনা মেটচ অদুগী ৪ অমদি ৯ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

অমরোমদা ৱাই দব্লিউ সি মালোমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ৱাই য়াইফবনা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

## বোর্চান্দ মেমোরিয়েল পাংথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ

নাউরেমথোংদা লৈবা এন জি কোলেজগী টিম্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ টুর্নামেন্টকী ফুটবোলগী ওইনা শান্নরকপদা এন জি কোলেজনা মণিপুর কোলেজ ৩–১ দা থোইখি। মহাক্কী মখা তারকপদা অতোপ্পা শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী হেন্না কন্না প্রেসর পীবা ঙম্নখিদে।

## চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লীগ ২০১৬ গী ফাইনেল সি সি ৱাই সি অমসুং এল এস ৱাই সি ফাইনেল শান্নরগনি


ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শীন্দুনা লীৱা শারৈ ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাংথোক্লিবা ফার্ষ্ট চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লীগ ২০১৬ গী ফাইনেলদা চান্দেল খৃষ্টিয়ান য়ুঠ ক্লব (সি সি ৱাই সি) অমসুং লিৱা শারৈ য়ুঠ ক্লব (এল এস ৱাই সি) অনীনা ফাইনেল শান্নরগনি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টর্স এসোসিয়েসন চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অদুগী অহানবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ অদুদা পুন্না টিম ১০ না শরুক য়াখি। ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ুম্বুংওইরিবা চান্দেল খৃষ্টিয়ন ক্লব (সি সি ৱাই সি ) না লিতল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি ) পু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সি সি ৱাই সি গী মায়কৈদগী টি ঐচ বেনিংজোইনা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

মহাক্কী মতুংদা টিম অদুমক্কী শান্নরোই জে হায়পিয়ানা ৭৬ শুবা মিনটতা ২ শুবা পাঞ্জল চনখি। পাঞ্জল ২ মাংজিল থাদুনা লৈরিবা সি সি ৱাই সি গী মায়োক্তা লিতল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি ) না পাঞ্জল অমত্তা হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ অদুগী মনুংদা অপীবা মতমদগী ইজুরি টামইকী অনীশুবা মিনটতা সি সি ৱাই সি কী মায়কৈদগী টি এস নেলিনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙখিবনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ লিৱা শারৈ য়ুঠ ক্লব (এল এস ৱাই সি ) অমসুং জিয়োন তলাং য়ুঠ ক্লব (জেদ ৱাই সি ) অনীগী মেটচ অদুদা মায়কৈ অনীগী শান্নরোইশিংনা মায় পাক্লবগীদমক্তা ঙান্না পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাল্ফ লোইরমদাই ফাওবদা পাঞ্জল চান্নদনা লৈরম্বদগী ৪৪ শুবা মিনটতা এল এস ৱাই সি গী মায়কৈদগী আর মিটচেলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা জেদ ৱাই সি বু মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা এল এফ ৱাই সি না চনখিবা পাঞ্জল অদু জেদ ৱাই সি না হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অদু মখা তানা চথরকখি। অপীবা মতমদ মিনট ৯০ লাম্থোক্লবা ফাওবদা জেদ ৱাই সি গী মায়কৈদগী ইক্যুলাইজর অদু চনবা ঙমখিদবদগী সি সি ৱাই সি অমসুং এল এস ৱাই সি না ফাইনেল শান্নরগনি।